# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা চথখিবা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংলগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল অমসুং চান্দেল জিলাদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমসুং

৩) সংসদকী নোংজ্ মীফম থা অসিগী ২০ দগী হৌরগনি, মীফম অসি ওগষ্ট ১৩ ফাওবা চথগনি।

------

এসআরআই (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থা অমা চুপা চথখিবা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংলগনি। চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মণিপুর ওইরিবা অরুন কুমার সিনহানা লমফেলপাৎতা লৈবা সি.ই.ও মণিপুর ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ মখায়দা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল অসি ফোংগনি।

নিংশিংবা য়াবদি, রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা মরী লৈনবা বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা য়ুমথোঙ খুদিং চত্তুনা চহি অসিগী মে ৩০ দগী জ্ন ২৮ ফাওবা এস.আর.আইগী থবকশিং পাঙথোকখি। থা অমা চুপা এস.আর.আইগী থবক পাঙথোক্লবা মতুংদা ঙসি দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল অসি ফোংগনি। দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল অসিদা কনাগুম্বনা ৱাকৎনিংবা লৈরবসু ঙসিদগী পারগা চহি অসিগী ওগষ্ট মরি ফাওবদা ৱাকৎলকবগী মতম পীরি। হায়রিবা মীয়ামগী

ৱাকৎশিং অদু সেপ্তেম্বর অনি ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি। মসিগী মতুংদা অরোইবা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৬ তা ফোংগনি। এস.আর.আই অসি অশেংবা, অচুম্বা ভোতরশিং মশক খঙদোকনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোকপনি।

থৌবাল জিলাদা চথখিবা এস.আই.আরগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মিসনার য়ুমাম রোবিতানা ফোংলগনি।

সেনাপতি জিলাগী কারোং, মাও, তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রশিংগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলশিং ফোংলগনি। চৎলিবা থা অসিগী ১ দা ক্বালিফায়িং দেট ওইরগা ফোংগদৌরিবা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলশিং ওফিস অৱার মতমদা মরী লৈনবা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিং অমদি বুথ লেবেল ওফিসারশিংগী মনাক্তা লাক্লগা য়েংবা য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ   সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল অমসুং চান্দেল জিলাদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোলরুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শলুংফম উয়োক চীংদগী ঙসি মণিপুর পুলিসনা বেরেট্টা পিষ্টোল অনি, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, গ্রেনেদ ১২, মেগজিন ৭ অমসুং নোংমৈ মরু লিশিং ১,২৪২ ফাগৎলে।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী মোলচাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোল্বী ভিলেজ এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা সিঙ্গল বোর রাইফল ৯, নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, ইমপ্রোভাইস মোর্তার অনি, ষ্টিক হেন্দগ্রেনেদ অমা অমসুং নোংমৈ মরু ৯৪ ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ঙরাং মণিপুর পুলিসনা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অহুম ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদগী য়ু.এন.এল.এফ (পি)গী মীওই অমসু ফারে।

মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, শেল থুমগা মরী লৈননা সেনাপতি জিলাগী খমসোমদা ফাজিনদুনা থল্লম্বা অসামদগী মীওই অনি মণিপুর পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে।

থিয়েতর (এল)ঃ নুমিৎ ৩৭ নি চথুরকপা থিয়েতর ইদুকেসন প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফালগী দি.আই.পি.আর হোলদা লোইশিল্লগনি। থৌরম অসি মণিপুরী থিয়েতর একাদমি ৱাংগোই, দিরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং জেদ.ই.ও ৱাংগোইনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অসি থিয়েতর ফোর জেনরেসন চেঞ্জ হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি কে.ঐচ. লোকেন য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি।

মৈ (এল)ঃ চীংমৈরোংদা এ.বি. কেবল শেম শাগদবা লৈবনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা এলেভেন কে.ভি. ফিদর ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মন্ত্রিপুখ্রি ফিদর অসিনা কোল্লিবা মফমশিং হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোইহায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

সংসদ ঃ সংসদকী নোংজ্ মীফম থা অসিগী ২০ দগী হৌরগনি। মসি মথং থাগী ১৩ ফাওবা চথগনি।

পার্লিয়ামেন্ট এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা অয়াবা পীরকপদগী সংসদকী নোংজ্ মীফম অসি থা অসিগী ২০ দগী হৌরগনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী রিজিজ্না হায়- মীফম অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মরুওইবা হিরমশিংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়াসু লৌরবা য়াই।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ তরুকনিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

থা অসিগী তরুক অমসুং ৮ ফাওবদা ইন্দোনেসিয়াদা, ৮ দগীনা ১০ ফাওবনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ১০ দগীনা ১১ ফাওবা ন্যুজিলেন্দদা চৎকনি।

মহাক্কী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা ভারত অমস্ং লৈবাক অহুম অসিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱারী শান্নগনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর কাটার, বেহরান, ক্কেট অমসুং ওমানগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা ডাঃ জয়শঙ্করনা লৈবাকশিং অদুগী মহাক্কা ফম মান্নবা অমদি অতৈ লুচিংবা কয়াগা উন্নগনি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- ডাঃ জয়শঙ্করগী খোঙচৎ মনুংদা ভারত অমসুং লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। ডাঃ জয়শঙ্করগী ওমান খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা মহাকা থা অসিগী ১৩ দা নিউ য়োর্কতা চত্তুনা ২০২৮-২৯ গী ওইনা য়ু.এন. সেক্যুরিতি কাউন্সিলগীদমক ভারতকী ওফিসিয়েল কেম্পেন হৌদোক্কনি। মদুগী তুংদা মহাকা অহুমসুবা ইন্দিয়া-ই.য়ু ট্রেদ এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলগী মীফমদসু শরুক য়াগনি। থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অমসুং বেলজিয়মগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা ব্রুসেলদা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

উরান ঃ সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা হায়রি- নৌনা শেমদোক্লবা উরান স্কিমনা ভারতকী চৎথোক চৎশিনগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা শ্রী নাইদুনা হায়- লুপা কোতি লিশিং ২৮,৮৪০ চংনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা স্কিম অসিনা টয়ার টু অমসুং থ্রিগী সহরশিংদা চৎথোক চৎশিনগী লম্বী হেন্না

পাকথোক চাউথোকহল্লগনি। মহাকা হায়- স্কিম অসিনা অনৌবা এরোদ্রোম ১০০ হেন্না অমদি হেল্লিপেদ ২০০ শেমগৎলগনি। মসিনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। জোধপুর এয়ারপোর্টতা অনৌবা টর্মিনেল অমা শঙ্গাখিবগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী নাইদুনা হায়- রাজস্থানগী মরৱার লমদমদা মালেম থাক্কী ওইবা কন্নেক্তিভিতিগী খুদোংচাবা পীদুনা তুরিজম, লল্লোন ঈতিক অমসুং শেল থুমগী লমদা হেন্না খুদোংচাবা পীরি।

পুরি ঃ কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- ইথানোল অসি অনৌবা ৱাখল্লোন নত্তে, মসি চহি চা কয়াদগী শিজিন্নদুনা লাক্লবনি।

রাজস্থানদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী পুরিনা হায়- সরকারনা পায়খৎলিবা বাইও ফ্যুএল ব্লেন্দিং পোগ্রাম অসিদা মীয়ামা পীরকপা মোৎশিং সরকারনা তরামা ওকই। মীয়ামা পীরকপা মখোয়গী মোৎশিং অদু থবক্তা ওন্থোকনবা হোৎনগনি। মহাকা হায়- ইথানোল ব্লেন্দিংগী ৱাখল্লোন অসি ভারত্তা মমাং পাল্লম্বা কংগ্রেস সরকারগী মতমদগী হৌদোকখিবনি। ইথানোল ব্লেন্দিংগী চাদা ৫ দি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১০ দা লিংখৎলে।

ফিফাঃ মোরোকো অমসুং ফ্রান্স ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ক্বাতর ফাইনেল চংখ্রে। ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা শান্নখিবা মেটত অমদা মোরোকোনা কানাদাবু পাঞ্জল ৩-০ দা অদুগা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা ফ্রান্সনা পেরাগুৱেবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ক্বাতর ফাইনেল চংখিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা লৈখিদ্রবা এম.এল.এ বুংজাগিন বালতেগী লৈরোন চনবা য়াওখিবা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা মণিপুরগী মতাংদা হাই লেবেল সেক্যুরিতি মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা

পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

পোকফমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই. খেমচান্দ চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা বুংজাগিন বালতেগী লৈরোন চনবা য়াওখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদনা থিংলবসু সি.এমনা বুংজাগিনগী লৈরোন চনবা য়াওখি, মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নশি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সিলচরদা পল্লিবা গাড়িশিংদা য়াওবা পোৎশিং পৎশিল্লক্লে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা মণিপুরগী সেক্যুরিতিগী ফিভম রিভিউ তৌখ্রে, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পিনচিংবনা দিল্লিদা হকথেংননা শরুক য়াখি, গভর্নর, চীফ মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, কম্মিসনার হোম ভারচুয়েল মোদতা লোক ভবনদগী শরুক য়াখি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

যুমাম খেমচান্দনা মে অহুম ২০২৩ গী মতুংদা চুরাচান্দপুরদা চৎপা অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিছ থুগাইবশিং এক্সন লৌখৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর যুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা সনালৈবাক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। সেক্যুরিতিদা থাজবা ঙমদ্রে হায়না কান্টো খুঞ্জাশিংনা ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা চীফ মিনিষ্টরনা বালতেগী লৈরোন চনবগী থৌরমদা শরুক য়াখ্রে, তুংগী অফবা লম্বীগীদমক শান্তি পুরকপা দরকার ওই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা তোরবুংদা অমুক হন্না লান্দারকখ্রে, তিদিম লম্বী থিংলগনি হায়না লুপশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লনা সভাপতি ওইদুনা জে.এন. মণিপুর দান্স

একাদমিগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------